চান্দিগর মেয়রগী মীখল বি জে পিগী কেন্দিদেটনা মায় পাক্লে, মীখল হলহন্নবা অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা কোর্টতা ৱাকৎকদৌরি

চান্দিগর, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) : চান্দিরগী মেয়র খনবগী মীখলগী প্রোসেস য়াম্না চিংননিংঙাই ওই হায়রদুনা মীখল নৌনা পাঙথোক্লবা তকশিন্দুনা মখোয়না পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায়কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না ঙসি এ এ পিগী লিদর রাঘব চাদানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোক্লিবা চান্দিরগী মেয়রগী মীখলদা বি জে পিনা কোংগ্রেস-এ এ পি এলাইন্সপু মায়থিবা পীদুনা মেয়র য়াওনা ফম অহুন্মক ফংখিবনি। এ এ পিগী লুচিংবা চাদানা হায়রিবদি মীখলগী প্রোসেস অদু অনকন্সটিট্যুসনেল অমসুং ইলিগেল ওইবদা নত্তনা লৈবাক্কী থাজবা মাংহনবগী থৌওংনি। মহাক্না বি জে পিবু মীখলদা শোয়দনা মায়থিরগনি খনবদগী মাংজৌননা থৌরাং তৌরগা মীখল অদু নম্ফুদা মায় পাক্লবা শিনখিবনি হায়না মরাল শিখি।

কোংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর পৱন কুমার ভানসলগা লোয়নরিবা এ এ পিগী এম পি অসিনা হায়, মখোয়না পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায়কোর্টতা ৱাকৎতুনা মীখল নৌনা অমুক পাঙথোক্লবা অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবসু তকশিল্লগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা চান্দিগরগী মেয়রগী মীখল অদুদা বি জে পিগী কেন্দিদেট মনোজ সোনকারনা কোংগ্রেস অমসুং এ এ পি এলাইন্সকী মীরেপ ওইরিবা এ এ পিগী কুলদিপকুমার মায়থিবা পীদুনা মেয়রগী ফম ফংখিবনি। সোনকারনা ভোট ১৬ ফংখিবদা কুমারনা ভোট ১২ ফংখি অমসুং ভোট ৮ ইনভেলিদ ওইরে হায়না লাউথোকখি।

এ এ পি অমসুং কোংগ্রেসকী কাউন্সিল্লরশিংনা মতুং তাবদা সেনিয়র দিপ্যুটি মেয়র অমসুং দিপ্যুটি মেয়রগী ফমশিংগী মীখলশিং বোয়কোট তৌবদগী বি জে পিগী কেন্দিদেটশিং কুলজিৎ সন্ধু অমসুং রাজেন্দ্র শর্ম্মানা ফমশিং অদু ফংখি। মীখলগী রিজল্টশিং অদু এলাইন্স অমা শেন্নলগা কন্টেষ্ট তৌরিবা এ এ পি অমসুং কোংগ্রেসকী ওইনা অচৌবা চৈথেং অমা ওইখি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা এ এ পিগী এম পি চাদানা হায়, মেম্বর ৩৫ লৈবা চান্দিগর ম্যুনিসিপাল কোওপরেসন হাউসতা মখোয়গী ভোট ২০ লৈবনা চান্দিগর মেয়রগী মীখল অদু এ এ পি কোংগ্রেস এলাইন্সনা শোয়দনা মায় পাকফম থোকপনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়বসি খঙদুনা বি জে পিনা খুজিল থৌরাং কয়া চথরকখি। অহানবা জনুৱারী ১৮ দা মীখল কন্দক্ট তৌগদবা প্রিসাইদিং ওফিসার নারে হায়হনখি। মতুং তাবদা মখোয়গী খুৎচাবী প্রিসাইদিং ওফিসারনা বেলোট পেপর খরদা মার্ক খরা লৈহন্দুনা ইনভেলিদ ওইহনবদগী বি জে পিগী কেন্দিদেটনা নমদুনা মায় পাকহনখিবনি।

চাদানা মখা তানা হায়রিবদি মীখল অদু বি জে পিগী মাইনোরিটি ৱিংগী ওফিস বিয়রর অমা ওইরিবা অনিল মাসিবু প্রিসাইদিং ওফিসারনি লাউথোক্তুনা পাঙথোকখিবনি। বি জে পিগী প্রিসাইদিং ওফিসার অসিনা পার্টি অমত্তগী ইলেক্সন এজেন্ট অমত্তা ভোট মশিং থীরিঙৈ মনুংদা চংদুনা য়েংবা য়াহনখিদে। ভোট মশিং থীবা মতমদা পার্টিশিংগী ইলেক্সন এজেন্টশিং চংহনবা হায়বসি মহৌশাদগী চৎনরক্লবা লোনা য়াবা থৌওং অমনি। প্রিসাইদিং ওফিসার মশামক্না মহাক্কী কলম শিজিন্নরগা বেলোট পেপর খরদা মার্ক লৈহল্লগা মশিং থীবা মতমদা মখোয়বু ইনভেলিদ ওই হায়না লাউথোকখিবনি হায়খি।

‘বেঙ্গোলদা সিটিজনশিপ লো চৎনহল্লোই’

রায়গঞ্জ, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) : লোক সভাগী মীখল মাংওইননা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট নত্রগা সি এ এ ইস্যু হৌদোরকপগীদমক্তা ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা চৈ-থাংখ্রে অমসুং মহাক্না লৈরিমখৈ ষ্টেট অদুদা এক্ট অদু কৈদৌঙৈদসু চৎনহল্লোই হায়খ্রে।

উত্তর দিনাইপুর দিষ্ট্রিক্টকী রায়গঞ্জদা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না বি জে পিবু লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী মাং ওইননা ভোট ফংনবগী পান্দমগা লোয়ননা খুদোংচাবা লৌদুনা সি এ এ গী ইস্যু অসি হৌদোরকই হায়না মরাল শিখি। বেনর্জিনা মখা তানা, ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা বি জে পিনা পোলিটিকেলগী কান্নবশিং লৌননবা সি এ এ ইস্যু অসি অমুক হৌদোরল্লে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না য়াম্না ময়েক শেংনা থল্লিবা ৱাফমদি ঐহাক্না হেক হিংলিবমখৈ মসি ৱেষ্ট বেঙ্গোলদা ইমপ্লিমেন্ট তৌহল্লোই হায়খি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিগী লিদর সান্তনু থাকুরনা হন্দক্তা চয়োল অমগী মনুংদা লৈবাক শিনথুংনা সি এ এ চৎনহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চিফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা ৱাফম অসি লাউথোরক্লিবনি।

ইন্দিয়ান নেভিগী জহাজনা সোমালি পাইরেটশিংগী খুৎতগী পাকিষ্টানি, ইরানিয়ান ক্রু রেস্ক্যু তৌখ্রে ঃ আই এন এস সুমিত্রা

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) : মেরিটাইম সিক্যুরিটিগী মতিক ময়াই উৎপা মরুওইবা খোঙথাং অমদা ইন্দিয়ান নেভিগী জহাজ আই এন এস সুমিত্রানা সোমালিয়াগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবানগা নক্লনা থংন-থংননা এন্টি-পাইরেসি ওপরেসন অনী পাঙথোক্তুনা ক্রু মেম্বরশিং অমসুং ভেসেলশিং খুৎলাই পায়বা সোমালি পাইরেটশিংগী মখুৎতগী কনখ্রে।

ইন্দিয়াগী লানগী জহাজ আই এন এস সুমিত্রানা দিষ্ট্রেষ্ট কোলশিংদা য়াম্না থুনা রেস্পোন্দ তৌদুনা পাইরেটশিংনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ক্রু মেম্বরশিং কন্ননবগী মিসন অমা থৌনা ফনা চথখিবনি। অহানবা ওপরেসন অদুদা ইরানগী ফিরাল থেৎপা ঙা ফাবগী ভেসেল অল নেইমি চেন্নখি। ভেসেল অদু পাইরেটশিংগী মখুৎতা তাখিবদগী মখোয়না পাকিষ্টানি নেসনেল ১৯ ফাখিবনি।

নেভিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রিবদি হৌখিবা জনুৱারী ২৯ গী অথেংবদা আই এন এস সুমিত্রানা এফ ভি (ফিসিং ভেহিকল) অসি ইন্টরসেপ তৌখি অমসুং মহাক্কী হেলিকোপ্টর অমসুং হীশিং ইফেক্টিভ ওইবা মওংদা দিপ্লোয় তৌখি অমসুং ক্রুগা লোয়ননা ভেসেল অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোকহনখি।

তোঙানবা থৌদোক অমদা আই এন এস সুমিত্রানা এফ ভি ইমাম কৌবা ইরানগী ফিরাল থেৎপা ঙা ফাবগী ভেসেল অমা হায়জেক্ট তৌবগা মরী লৈনবা অতোপ্পা দিষ্ট্রেষ্ট কোল অমসু ফংখি। ইরানিয়ান নেসনেল ৭ হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিল্লম্বদগী লৈরল্লিবা ফিভম অদু খুদক্তা মীৎয়েং চংবা মথৌ তাখি।

ইন্দিয়ান নেভিগী লৈবাক অসিনা শাজবা ওফসোর প্রেট্রোল ভেসেল অমা ওইরিবা আই এন এস সুমিত্রা অসি পাইরেসি অমদি অতৈ শাথিবা থৌদোক কয়া থোক্কনবা ইষ্ট সোমালিয়া অমসুং গল্ফ ওফ অদেনদা এন্টি-পাইরেসি অমসুং মেরিটাইম সিক্যুরিটি ওপরেসনশিং চথনবা দিপ্লোই তৌদুনা লাক্লিবনি। শুপ্নগী পুং ৩৬ ফাদবা মতমগী মনুংদা দিষ্ট্রেষ্ট কোলশিংগী রেস্পোন্স থুনা পীদুনা চোকথবা নাইদনা হোৎনদুনা ইরানিয়ান নেসনেল ১৭ অমসুং পাকিষ্টানি নেসনেল ১৯ য়াওবা ক্রু মেম্বর ৩৬ অমদি হায়জেক্ট তৌখিবগী ঙা ফাবগী ভেসেল অনী অদু রেস্ক্যু তৌখিবনি।

[illegible]

[illegible]

মেদিকেল ষ্টাফ শাবা ইজরেলি এজেন্টশিংনা হোস্পিটালদা ৱেইদ চখদুনা পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট ৩ হাৎখ্রে

জেনিন, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) : মেদিকেল ষ্টাফ শাবা খরসু য়াওবা ইজরেলি অন্দরকোভর এজেন্টশিংনা ঙসি ৱেষ্ট বেঙ্ককী হোস্পিটাল অমদা রেদ চখখ্রে অমসুং পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট ৩ নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে।

চহী ৮ গী মনুংদা অহানবা ওইনা অসিগুম্বা ওপরেসন অমা চখদুনা ইজরেলি এজেন্টশিংনা পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমনি হায়রিবা হোস্পিটালদা ৱেইদ চখদুনা মিলিটেন্টশিং অদুবু হাৎখিবনি।

অৱাং থংবা সিটি জেনিনদা লৈবা ইবন সিনা হোস্পিটালদা ৱেইদ অদু চখখ্রবা মতুংদা ঈ তৈরবা মোন অমদা নোংমৈ মরুগী মখুল অমা এজেন্সিগী ফোটোগ্রাফর অমনা উখি। ইজরেলি এজেন্টশিংনা হাৎখিবা মীওইশিংগী হকচাংশিং অদুগী অকোয়বদা পলেষ্টিনিয়নশিং পুন্দুনা লৈবসু উখি। ইজরেলি মিলিটরিনা হায়রিবদি ইজরেলি ফোর্সশিংনা জেনিন সিটি অমসুং মসিগা তাইনবদা লৈরিবা রিফ্যুজি কেম্পতা কান্নবা ফংহল্লিবা মরুওইবা হেল্থ ফেসিলিটি অমা ওইরিবা হোস্পিটাল অদুদা চংদুনা হামাস টৈররিষ্ট সেল অমদা টার্গেট তৌখি।

হোস্পিটাল অদুগী মনুংদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা মীওই ৩ হাৎখ্রে হায়বসি লাউথোক্লদুনা পলেষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হেল্থ কেয়র ফেসিলিটিশিং ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা অখন্নবা প্রোটেক্সন পীবা মফমশিংনি হায়না ফোঙদোকখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ওকুপেসন কাংবুশিং (ইজরেল) না ঐখোয়গী মীওইশিং অমসুং হেল্থ সেন্টরশিংগী মায়োক্তা নুমিৎ খুদিংগী পরিং নাইনা চথরিবা ক্রাইমশিং খুদক্তা লেপহন্নবা মিনিষ্টর ওফ হেল্থনা য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি, ইন্টরনেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংদা অপিল তৌরি।

পলেষ্টিনিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনসু ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা হোস্পিটালদা চথখিবা তমথিরবা মীহাৎশিং অদু মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা তৌবা ক্রাইম অমনি হায়খি। পলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা ত্বিটরদা থাদোরকপা হোস্পিটাল অদুগী সি সি টি ভি ফুটেজতা মেদিকেল য়ুনিফোর্মশিং শিজিন্নবা নত্রগা মীচমগী ফিজোলশিং শেৎপা খুৎলায় পায়বা নুপা-নুপীশিং হোস্পিটাল অদুগী কোরিদোরশিংদা য়াংনা চংশিল্লকপগী শক্তম উখি।

ভিদিও অদুদা ইজরেলি এজেন্টশিংদা বেবি কেরিয়র অমসুং হ্বিল চেয়র অমা প্রোপশিং ওইনা শিজিন্নবসু উখি। হোস্পিটালগী দিরেক্টর নাজি নাজলগী মতুং ইন্না ইজরেলি ফোর্স কাংবু অমা ফেসিলিটি অদুদা লোন্না চংলকখি অমসুং মখোয়না মীওইশিং অদু হাৎখি। ইজরেলি এজেন্টশিংগী খুৎলাইশিংদুদা সাইলেন্সরশিং পাল্লি হায়রি।

রসিয়ান সেল এটেকতা নুপী য়াওনা মীওই ৫ শিরে

অবদিভকা, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) : য়ুক্রেনগী অৱাং থংবা রসিয়াগী বোর্দরগা নক্লবা সুমি রিজনগী ভিলেজ অনীদা রসিয়ান ফোর্সশিংনা চথখিবা সেল এটেকতা মীওই ৪ শিখ্রে অমসুং য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা অবদিভকা টাউন্দা নৌনা চথখিবা এসোল্ট অমদা নুপী অমা শিখ্রে হায়না লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

সুমি রিজনগী লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়রিবদি জনোব-নোবোহোরস্কে ভিলেজদা মোর্টার কাপশিল্লকপদা মীওই ৩ শিখি। মরিশুবা মীওই অমনা খা নোংপোক্তা লৈবা অতোপ্পা ভিলেজ অমদা চথরকখিবা এটেকতা শিখি। এজেন্সিনা রিপোর্টশিং অদু ভেরিফাইদ তৌবা ঙমখিদ্রবসু সুমি রিজনগী ওফিসিয়েলশিংনা নুমিৎ খুদিংগী রসিয়ান ফোর্সশিংনা এটেক চথরকপগী পাউদমশিং পীদুনা লাক্লিবনি।

ফ্রন্টলাইনগা নক্লনা লৈবা য়ুক্রেনগী পায়শিল্লিবা টাউন অমা ওইরিবা অবদিভকাদা পব্লিক ব্রোদকাষ্টর সুস্পিলনেনা পীবা রিপোর্টতা নুপী অমা নুংথিলগী মতমদা মোর্টার সেল কাপশিল্লকপদগী ফিভম লুনা শোকপদগী শিরে হায়না পনখি। অবদিভকা হায়রিবা টাউন অসি কুমজা ২০১৪ দা প্রো-রসিয়ান ফোর্সশিংনা মতম খরা পায়শিন্দুনা থম্লুরবনি। মখোয়না য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবদা লৈবা মফম কয়া পায়শিনখিবনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref: Mutation case No. 11/SDC/SLG/IE-2024

Wahengbam Subhana Devi, W/o (L) Ongnam Manaobi Singh of Khurai Konsam Leikai

-Petitioner

- Versus -

(Late) Ongnam Manaobi Singh, S/o Yaima Singh of Khurai Konsam Leikai

- Opposite Party

[illegible] / NOTICE

Sagolmang, the 29/1/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহসিল খুল নং 31-Waiton পাটা নং 27 (অরিবা) 1882 (অনৌবা), দাগ নং 2761 মোট এরিয়া .77 একর চাওবা Phourel লৌফমগী Pattadar মৃত্যু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্যু পাটাদারগী মিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাটাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/9430/31 Jan.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 28/SDC/NBL of 2024

Naresh Ngangom, S/o (L) Ng. Chaoba Singh of Kakyai Mamang Leikai

- Petitioner

-Vs-

(L) Ngangom Chaoba Singh, S/o (L) Ng. Birahari Singh of Kakyai - O.P.

[illegible] / NOTICE

Date 30/01/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8-Kakyai গী Patta No. 4 (Old), 177 (New) Dag No. 1234 area of 0.80 acres of Phourel and Patta No. 258 (old), 222 (New) Dag No. 1232 area 0.63 acres Class Phourel হায়রিবা লৌফম অনী অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্যু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/9431/31 Jan.

ওফিস ওফ দ কম্যান্দেন্ট, ৯শুবা বিএন আই.টি.বি. পুলিস ফোর্স
এমএইচএ (গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া), পিন-৯৩৪৪০৯, সি/ও ৯৯ এপিও

খঙহঙ্ঙবা

নম্বর ২২০০৯০০২৫ এসআই/জিদি(আরইসিটিটি) জে. কাওহরিলৌ জন্টিন অপোকপা এসএইচ. এন.জি. জেকোব, ভিলেজ-লাখমাই ভিলেজ,পিও-মরাম, পি.এস-তদুবি, দিষ্ট্রিক্ট-সেনাপতি, মণিপুর-৭৯৫০১৫ অসি নুমিৎ ০৫ নিগী কেজুয়েল লিভ লৌখিবদগী মদুগী মতুং ১২.১১.২০২২ (এফএন) দগী কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী অয়াবা মাংজৌননা লৌখিদনা এবসেন্ট ওইদুনা লাক্লি। নহাক দিআইজি, সিটিসি অলৱার ওফিস মেমো নম্বর ৫১২৫-২৬ তারিক ১২.১১.২২ অমসুং ৫২৩৭-৩৯ তারিক ২২.১১.২২ অমসুং ৫২৬৭-৬৮ তারিক ০৯.১২.২২ গী মতুং ইন্না খুদক্তা দিয়ুটিগীদমক রিপোর্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রবসু নহাক্না রিপোর্ট তৌখিবসু লৈতে পাউ অমত্তা পীরকখিবসু লৈতে। সিটিসি অলৱার লেটর নম্বর ১৪৮-৫৩ তারিক ০৯.০১.২৩ অমশুং ৯শুবা বিএন এল.নম্বর ৩৯৩০ তারিক ২৬.০৭.২৩ গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস, সেনাপতি (মণিপুর) দসু নহাকপু ফারগা দিআইজি, সিটিসি অলৱার আইটিবি পুলিসতা শিন্নরক্লবা হায়জখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা আইটিবিপি এক্ট ১৯৯২ গী সেক্সন ৭৪(১) দা য়াওরিবা প্রোভিজন মতুং ইন্না দিআইজি সিটিসি অলৱার ওর্দর নম্বর ১৮৩ তারিক ০৬.০২.২৩ গী মতুং ইন্না কোর্ট ওফ ইনক্বারি অমা কন্দক্ট তৌখি।

২. সিওআই বোর্দকী রিকমেন্দেসন মতুং ওফিস ওর্দর নম্বর ২১৫৭ তারিক ০৪.০৫.২৩ গী মতুং ইন্না আইটিবিপি এক্ট ১৯৯২ গী সেক্সন ৭৪(২) গী মখাদা নহাক তারিক ১২.১১.২০২২ (এফএন) দগী ফোর্স অসি থাদোক্লবা “দিজার্টর” নি হায়না লাউথোক্লে অমসুং ওফিস নোটিশ নম্বর ৫৬৮৪ তারিক ১৮.০৯.২৩ অসিগী মতুং ইন্না নঙোন্দা শো কোজ নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। নোটিশ অসিগী কোপিসু রেজিষ্টর্দ পোষ্টকী খুখাংদা নহাক্কী পর্মানেন্ট হোম এদ্রেসতা থাখ্রে।

৩. নহাক অমুকসু নোটিশ অসি ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা নহাক্কী দিয়ুটি মখা চথবা হৌনবা দিরেক্সন অসি পীবগা লোয়ননা করিগুম্বা নহাক্না হায়রিবসি তৌদ্রবদি মখা তানা পাউ অমদি নোটিশ পীবা তৌদনা নহাক “সার্ভিসতগী দিসমিস তৌরগনি” হায়না খঙহল্লি।

কম্যান্দেন্ট
৯শুবা বিএন আই.টি.বি. পুলিস ফোর্স

cbc 19112/11/0146/2324

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 30th January, 2024

No. 12/PMS-FORMS/2012-TA&H: It is hereby to inform all concerned that, Notification for online submission of application for availing ST Pre & Post - Matric scholarship for the year 2023-2024, notified vide Notification No. **12/PMS-FORMS/2022-TA&H dated 11.12.2023,** is extended further up to **29.02.2024** as per the schedule provided below:

The Last date of online submission details will now be as given below:

Category	Scheme Closing date	Institution verification last date	District Level verification last date	State Level verification last date
(1)	(2)	(3)	(4)	(5)
(a) Pre-Matric	**29-02-2024**	**15-03-2024**	**15-04-2024**	**15-04-2024**
(b) Post-Matric	**-do-**	**-do-**	**N/A**	**15-04-2024**

2. Therefore, all Students/principals/HODs/DNOs of various institutes located in Manipur and outside the State are directed to complete their application and verification process well on time before the expiry of the extended dateline.
3. Issued in public interest and for compliance by Students/Institutes heads.

Sd/-
ST Rithung Anal
Addl. Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/8520/31 Jan.

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT
OFFICE OF THE EXECUTIVE ENGINEER, PWD, BISHNUPUR DIVISION NATIONAL COMPETITIVE BIDDING
[illegible]/No. EE/BPR/TN/2023-24/4

Dated, Bishnupur, the 30th January, 2024

The Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tender through open tender from eligible contractors for a total of 3 (Three) Nos. of works under MH:2059 all costing below 100 lakh within Bishnupur District, Manipur.

The procurement Officer is Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from 10:30 Hrs of 31/01/2024 to 13:00 Hrs of 09/02/2024 at the Office of the Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur.

Bid submission start date :- 31/01/2024 from 10:30 a.m.
Bid Submission end date :- 09/02/2024 upto 1:00 p.m.
Date & Time of opening of bid :- 09/02/2024 at 3.30 pm
Venue:- Office of the Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur

Sd/-
Executive Engineer,
Bishnupur Division, PWD, Manipur.

HL-P/9426/31 Jan.

GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE: TRANSPORT DEPARTMENT
[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 30th January, 2024

No. M-TPT/89/2023-DoTPT-DT/1982 In connection with the ongoing observation of National Road Safety Month, 2024 (15th January to 14th February, 2024) in the State, Transport Department, Government of Manipur is going to organize Quiz, Essay Writing & Painting competitions for students.

1. The Details of the competitions are as follows:
   - o Quiz Competition: Categorized into two groups of 3 students each:
     Group 1: Up to Class VIII
     Group 2: Class IX to XII
   - o Painting Competition: Open to all (no age restrictions)
   - o Essay Competition: Open to all (no age restrictions)
2. Interested students are hereby informed to submit their application through school authority to the undersigned's office by not later than 5:00 PM on 6th February, 2024. **Each participating school** is also requested to provide the name of teacher along with contact number for further communication regarding schedule dates, competition venue of competition, topic of essay competition, theme of painting etc.
3. Screening of the team for quiz competition will be conducted if the number of participants is more than 10 (ten).
4. Cash prize and certificates will be issued to the winners of all the competitions at the closing function of the National Road Safety Month, 2024 to be held on 14th February, 2024 at IDTRC, Yaralpat, Imphal East.

Sd/-
Director (Transport)
Manipur

HL-B/8519/31 Jan.

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT
[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 29th January, 2024

No.CE/PHE/1-289/2023/3374: In continuation of this Office Notification No.CE/PHE/1-289/2023/3224 dated 12th January, 2024, it is hereby notified to all eligible candidates that the **written examination** for filling up of 91 (ninety one) posts of Section Officer Grade-1 and 7 (seven) posts of Section Officer Grade-II on contract basis notified vide Notification No.CE/PHE/1-289/2023/3548 dated 21st February, 2023 of this Department will be held on 12th February, 2024 at the following Examination Centres as per details below:-

1. Date of Written Examination : 12th February, 2024.
   Examination Centres along with Roll Nos.

Sl No.	Name of the Centres	Roll Nos.	Time
1.	Johnstone Higher Secondary School, Imphal West District.	Civil: **1001 to 1630** (except for candidates mentioned in Sl.No.4)	**10.00 a.m. to 12.00 p.m.**
2.	C.C. Higher Secondary School, Imphal East District.	Civil: **1631 to 2060** (except for candidates mentioned in Sl.No.4)	
3.	T.G. Higher Secondary School, Imphal West District.	Civil: **2061 to 2705** Mechanical: **3001 to 3255** (except for candidates mentioned in Sl.No.4)	
4.	Mount Everest College, Senapati District.	All eligible candidates from Roll no: **1001** to 2705(Civil) and **3001** to **3255** (Mechanical) who have selected Senapati Centre shall appear the written exam at Mount Everest College, Senapati District.	

Claim and objection if any may be intimated to the **office of the Chief Engineer, PHED, Khuyathong-795001, Imphal, Manipur** or the Executive Engineer, **PHE Division, PHED, Manipur, Mini Secretariat, Senapati-795106** on or before **5th February, 2024.**

Instruction to the Candidate:-

1. Rejected Candidates notified vide Notification No. CE/PHE/1-289/2023/2370 dated 10th November, 2023 shall not be allowed to appear in the written exam.
2. Candidates without Admit card will not be allowed to appear the written exam.
3. No electronic gadget/mobile phones shall be allowed into the examination hall.

Sd/-
Shangreiphao Vashumwo
Chief Engineer, PHED
Govt. of Manipur

HL-B/8515/30, 31 Jan.